# সুশিলা চনুনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা রিও গেমস মাঙওইননা য়ু এসতা টুর তৌখ্রে





ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ ঃ নৌনা কেপ্তেন হাপখ্রবা মণিপুরগী সুশিলা চনুনা লুচিংলিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন হোকি টিমনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী শেম শান্ননবগী মখোয়গী অরোইবা লেগতা য়ু এস এদা টুর তৌদুনা প্রেক্টিশ গেম মঙা শান্নরুগনি।

হায়রিবা প্রেক্টিশ গেম মঙা অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা কনাদা অমদি য়ু এসকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ইন্দিয়াগী স্কাদ অসি ইরাই নুমিৎতা য়ু এস এগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখ্রে।

টিম অসিনা কনাদাগা মায়োক্নদুনা প্রেক্টিশ গেম অহুম শান্নগনি। অদুগা য়ু এস এগা লম্বা তৌদুনা মেচ অনী শান্নগনি। টুর অসি রিও ওলেম্পিক্সকী মাঙওইননা পাঙথোক্কদবা অরোইবা ইন্টরনেসনল এক্সপোজর মেচসু ওইরে।

ইন্দিয়ন টিমদা সুশিলা চনুদা নত্তনা ভাইস কেপ্তেন দিপিকা থাকুর য়াওরি। অদুগা এক্সপরিএন্স লৈরবা প্লেয়রশিং নবজোট কৌর, দিপ গ্রেস ইক্কা, মোনিকা, নিকি প্রধান অমদি বন্দনা কটারিয়াসু য়াওরি।

ইন্দিয়াগী কোচ নেল হোগুদনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, ঐখোয়না খ্বাইদগী ফবা প্লেয়রশিং খনগৎতুনা স্কাদ অমা শেম্লে। স্কাদ অসিদা য়াওরিবা মেম্বর খুদিংমক মখোয়গী মেরিটতা য়েংলগা খ্বাইদগী ফবা প্লেয়রনি হায়না খনগৎপনি।

প্লেয়রশিং অসিনা মখোয়গী মশক থোকপা পার্ফোমেন্স অদু উৎখ্রে। অমদি রিও ওলেম্পিক্সকীদমক অকনবা মওংদা ত্রেন তৌবগা লোয়ননা গোল চনবগী তপথদ্রবা ৱাখল্লোন অদু পোকহনবা ঙম্লে হায়রি।

টিম অসি অহানবা ওইনা খ্বাইদগী এক্সপরিএন্স লৈবদা নত্তনা মশক থোক্লবা টিম ওইদুনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াগনি। মসি ঐখোয় পুম্নমক্কী খ্বাইদগী চাওথোকচনিংঙাই ওইবা পুংজানি।

টিমদা য়াওরিবা এথলেট পুম্নমক ফিজিকেল্লি অমদি মেন্টেল্লি ষ্ট্রোং ওইরে। মখোয়না ওলেম্পিক্তা মশক থোকপা থৌদাং শুংশোই শোইদনা লৌরক্কনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। সুশিলানা টিমগী প্লেয়রশিংনা ওলেম্পিক্সতা মশক থোক্ন া মখোয়গী তৌবা ঙম্বা অদু উৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। ঐখোয়না লাক্লিবা ওলেম্পিক্স অসিগী শরুক অমা ওইবা ঙম্বদা হরাউবা পোকই। রিওদা ফংগদবা অয়াম্বা মেচ খুদিংমক লুনা থোক্লবসু ঐখোয়না মদুবু লাকশিন্না শান্নদুনা মায় পাক্ননবা হোৎনগনি হায়বা ৱাফম সুশিলানা থমখি।

রিও ওলেম্পিক্কী মাঙওইননা ঐখোয়না ৱার্ম-অপ মেচশিং য়ু এসতা টুর তৌদুনা শান্নগদৌরিবা অসিনা হেন্না মতিং হাপ্পগনি। প্লেয়র খুদিংমক্না ওলেম্পিক্তা মেদল লৌগনি হায়বসি টিমগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দম ওইনা থল্লিহায়না কেপ্তেন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এন্দি মরেনা সার্বিয়াগা শান্নগদবা দেভিস কপ্তা শরুক য়াররোই



লন্দন, জুলাই ১৫ ঃ

ৱিমব্লেদনগী চেম্পিয়ন এন্দি মরেনা সার্বিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা লৈবাক অসিগী দেভিস কপ ক্বার্টর ফাইনেলদা শরুক য়াররোই। মহাক্কী মহুৎতা কেলে ইদমুন্দ অমদি জেমস ৱার্দনা সিঙ্গলস প্লেয়র ওইনা শান্ননবা টিম কেপ্তেন লিওন স্মিথনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

মমাঙগী নবেম্বরদা মরেনা ব্রিটেনবু মতেং পাঙদুনা মখোয়গী অহানবা ওইনা চহী ৭৯ গী মনুংদা দেভিস কপ মায় পাকখি অদুবু মহাক্না সার্বিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা মেচতা য়াওরোই হায়বগী ৱামাঙ য়াৎপা লৈখিবনি। সার্বিয়াগী টিমদসু নোভাক জোকোভিচনা শরুক য়ারোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

দবলসতা এন্দি মরেগী মনাওনুপা অমদি ৱর্ল্ডগী মঙাশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা জেমিনা দবলস স্পেসলিষ্ট দোমিনিক ইংলোটকা জুরা শেমদুনা শান্নগনি।

স্মিথনা হায়খি, মসিগী তারিক অসি মীওই পুম্নমক্কী নাইটমিয়রনি অদুবু এন্দি মরেগীদি নত্তে। মরমদি মসিগী লমায় অসি পাক হেক হোংদোকপা য়াবা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

মমাঙ চয়োলদা মহাক্না শান্নগনি হায়না অশা তৌখি অদুবু মহাক্না ৱিমব্লেদন মায় পাকখি অমদি লাক্লিবা ওলেম্পিক অমদি য়ু এস ওপনসু মায় পাক্নবা চঙশিনগনি। মহাক মসিদসু মায় পাক্না মথৌ পাঙথোক্লককনি হায়না ঐনা অশা তৌই। টিমগী মেম্বর ওইনা ঐখোয়না মহাক্কীদমক অপেনবা পোকই। মহাক্না শগোলশেন নৎত্রগা ইরাই নুমিৎতা থোরক্তুনা টিমবু শৌগৎলগনি হায়বগী থাজবা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

ব্রিটেনগী অহানবা স্কাদ লাউথোকপদা য়াওখিবা ৱর্ল্ডগী নম্বর ৭৩ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা দানিএল ইভান্সসু মশাগী ওইবা অচিনবা লৈবা অমদি মরেংবানগী অনাবা লৈবনা শান্নবা য়াওররোই।

মরেনা রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ তা শরুক য়াদুনা মহাক্কী টাইটল দিফেন্দ তৌনবা হোৎনগদৌরি।

ব্রিটেননা সার্বিয়াগা শান্নগদৌরিবা ক্বার্টর ফাইনেল অসি ঙসিদগী থা অসিগী ১৭ ফাওবা বেলগ্রেদকী টাসমাজদান ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি।

# মালেমগী প্রোফেসনল বোক্সিংদগী পোথাখ্রবা ফিলিপাইন্সকী মেন্নি পেক্কিঅওনা প্রো-বোক্সিংদা অমুক হল্লক্লগনি




ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ ঃ ফিলিপিন্সকী শক্নাইরবা প্রোফেসনল বোক্সর মেন্নি পেক্কিঅওনা বোক্সিং মশান্নদগী পোথারগনি হায়না লাউথোকখিবা থা অহুমগী মতুংদা চৎলিবা চহী অসিগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা মশান্না অসিদা অমুক হল্লক্নবা মিৎয়েং থমখ্রে।

পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না চহী অসিগী এপ্রিল থাদা টিমোথি ব্রেদলিবু মায়থীবা পীখিবা বাউট অদুনা মহাক্কী অরোইবনি হায়না লাউথোকখিবনি। পেক্কিঅওনা চহী অসিগী ওক্টোবর ২৯ নৎত্রগা নবেম্বর ৫ দা অমুক হন্না রিংদা হল্লক্লগনি হায়না মহাক্কী প্রমোটর বোব অরুমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম রিপোর্ট তৌরক্লি।

হৌখিবা থা অহুমগী মমাঙদা থিন্নখিবা মহাক্কী অরোইবা বাউট অদুগী মতুং মমাঙগী দিভিজন নিপানগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইখিবা মশাগী চহী ৩৭ শুরবা পেক্কিঅওনা ফিলিপিন্সকী সিনেটকী সিট ফংখিবনি।

পাউ অদুনা মখা তারদুনা হায়খিবদা প্রো বোক্সর অসিনা লাক্লিবা ওক্টোবর ১৫ দা লাস ভেগাসকী মন্দলে বে ইভেন্টস সেন্টরদা অমুক হল্লকপা য়ানা লৈরবসু মহাক্কী সিনেটকী থৌগাই অদুনা অপনবা পীদ্রবদি মহাক্কী হল্লকপগী থৌরাং অসি থবক ওইনা পাঙথোক্কদৌরি। অদুবু হায়রিবা মতম অসিদা ফিলিপিন্সকী সিনেটনা বজেট পুথোক্তুনা ভোট লৌনগদবনা মহাক্কী বাউট য়ৈথোকপা য়ানা লৈবনা করিগুম্বা য়ৈথোক্লবদি ওক্টোবর ২৯ নৎত্রগা নবেম্বর ৫ দা ওইনা পাঙথোক্লবা মতম লেপখি।

পনবা য়াই, পেক্কিঅওনা ব্রেদলিবু থিনদৎতুনা রিংদা মায়থীবা পীখ্রবা মতুংদা মহাক্না মহাক্কী অরেম্বা পুন্সিগী শরুক্তি পোলিটিক্সতা অমদি ইমুং মনুংদা মিৎয়েং চঙবা পাম্বগী মোত ফোঙদোক্তুনা মশান্না অসিদগী পোথানবা ৱারেপ লৌদুনা লাউথোকখিবনি।

পেক্কিঅওগী এদভাইজর মাইকেল কোঞ্জনা হায়খি, প্রো বোক্সর অসিনা পোলিটিক্সতা কথোক্না থবক তৌরবসু রিংদা লৈবা মতমদা মহাক্কী খ্বাইদগী নুঙাইজবা অদু উবা ফংঙি। মহাক্কী থাদোকপা য়াদ্রবা মরু ওইবা থৌদাং অসি সিনেটকীনা ওইরবসু বোক্সিং, ট্রেলিং অমদি জিমদা লৈখিবা মতমদু নীংশিংদুনা লৈরি। অদুবু লাক্কদৌরিবা ফাইট অসিদা পিক্কিঅওনা মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থীবা হায়বদু য়েংবা তারি।

# ভিজেন্দর সিংহ ভর্সেস কেরি হোপস ভিজেন্দরগী মরাইবক ঙসি খঙলগনি




ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ ঃ

মহাক্কী অহানবা প্রোফেসনেল বাউট তরুকমক নোক আউটতা মায় পাক্না চঙশিল্লিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভিজেন্দর সিংহনা মহাক্কী অহানবা ৱর্ল্ড বোক্সিং ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু বি ও) এসিয়া পেসিফিক সুপর মিদলৱেথ টাইটলগীদমক ওষ্ট্রেলিয়াগী কেরি হোপকা লম্বা তৌদুনা হয়েং থিন্নরগনি।

থাংজ নুমিৎতা থিন্নগদৌরিবা ফাইট অসিগীদমক ভিজেন্দর সিংহনা হায়, ঐহাক্কী অহানবা ৱর্ল্ড বোক্সিং ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু বি ও) এসিয়া পেসিফিক সুপর মিদলৱেথ টাইটল ফাইট অসিগীদমক ঐঙোন্দা অহেনবা প্রেসর অমত্তা লৈতে। অদুবু টাইটল অসিগীদমক হেন্না থৌ চিলহনবা হায়বদু ওইরি। মীয়াম্না বাউট অসিবু য়েংন্নবগীদমক খৌরাংনা ঙাইরি হায়খি।

কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা প্রো-বোক্সর ভিজেন্দর সিংহনা মখা তানা হায়, কেরি হোপকী মায়োক্তা ঐগী লৈজরিবা পাঙ্গল অমদি থৌনাশিং পুথোক্তুনা শান্নগনি। ফাইট অসি শুংশোই শোইদনা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা ভিজেন্দরনা হয়েং ন্যু দিল্লিদা থিন্নগদৌরিবা মহাক্কী প্রো টাইটল বাউট অসিগীদমক অকনবা মওংদা প্রমোট তৌরিবনি।

অমরোমদা কেরি হোপনা মহাক্কী প্রো কেরিয়রদা অপূনবা বাউট ৩০ শান্নখিবগী মনুংদা নোক আউট অনী য়াওনা ফাইট ২৩ মায় পাকখ্রে। মহাক হান্না দব্লিয়ু বি সি মিদলৱেথ চেম্পিয়ন ওইরম্বদগী ভিজেন্দরগা লম্বা তৌনবগীদমক সুপর মিদলৱেথকী-দমক দিভিজন অমা কাখৎলকখিবনি।

হরিয়ানা মচা অসিনাহায়, কেরি হোপ অসি লেফট হেন্দেদ অমদি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা বোক্সর ওইরবসু শোইদনা মায়থীবা পীগনি। মহাকপু মায়থীবা পীবদা অরুবা থবক ওইরোই হায়না ফোঙদোকখি।

ভিজেন্দরনা মহাক্কী ফাইট অসি লোইরবা মতুংদা রিও ওলেম্পিক্সতা চৎতুনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সর অহুমবু মপূক্লিং থৌগৎনবা শেম শারিবনি। ওলেম্পিক্স অহুম্লক শরুক য়াখ্রবা অমদি রজিভ গান্ধী খেল রত্না এৱার্দসু ফংখ্রবা ভিজেন্দরনা কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স অমদি কুমজা ২০১৪ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

পনবা য়াই, মমাঙ চহীদা অহানবা ওইনা প্রোফেসনেল ওনখ্রবা ভিজেন্দরনা মাঞ্চেষ্টর এরেনাদা শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা মিদলৱেথ বাউটতা ব্রিটেনগী সোন্নি হ্বাইটিংবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি। ভিজেন্দরনা মহাক্কী অনীশুবা প্রোফেসনেল বাউটতা ইংলেন্দগী দিন জিলেনবু অহানবা রাউন্দমক্তদা মায়থীবা পীখি। মতুং তারকপা বাউটতা ভিজেন্দরনা বলগেরিয়াগী সামেট হিয়ুসৈনোভপু থিনদৎতুনা মায়থীবা পীখি। ভিজেন্দরনা মাঞ্চেষ্টরদা শান্নখিবা মহাক্কী অতোপ্পা বাউটতা হঙ্গেরিগী অলেকজেন্দর হোর্ভাথপু মায়থীবা পীখি।

ভিজেন্দরনা মহাক্কী মঙাশুবা ফাইটতা ফ্রাঞ্চকী মাটিওজ রোয়রগা থিন্নদুনা মাটিওজবু নোক আউটতা মায়থীবা পীখি। লোয়ননা ভিজেন্দরনা পোলেন্দগী এন্দ্রেজ সোলদ্রাবুসু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী প্রোফেসনল বাউটতা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা মায় পাক্না চৎলি।

নীংশিংবা য়াই, হোবনা চহী ১২ চুপ্ন া প্রো-বোক্সর ওইরকখ্রে। অদুগা ভিজেন্দরনা মহাক্কী প্রোফেসনল বোক্সরগী অহানবা চহী মপুং ফাখ্রে। হোবসনা মহাক্কী অহানবা প্রোফেসনল ফাইট ১১ মায় পাকখি। অদুগা ভিজেন্দরনা মহাক্কী ফাইট ৬ তা মায়থীবা য়াওদা মায় পাক্লি।

হোবসনা ফাইট ৩০ শান্নখিবদা ২৩-৭ তা মায় পাকপগী রেকোর্দ থল্লি। অদুগা ভিজেন্দরনা ৬-০ দা মায় পাক্তুনা মায়থীবা য়াওদনা চৎলি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

*Ref:- Mut Case No. 442/SDC/SLG/IE- 2016*

1. Wahengbam Deben Singh S/o (Late) W. Kullo Singh of Sawombung ..... Petitioner

-Vrs-

(Late) Wahengbam Kullo Singh S/o (Late) Cholo Singh of Sawombung ...... Opposite Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Sagolmang, the 15/07/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহশিল খুল নম্বর ৩১-ৱাইতোন পাট্টা নম্বর ... (অরিবা), ৭৭৪ (অনৌবা), দাগ নং ১৪০৩ মোট এরিয়া ০.৪৬ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাটাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কল্লুগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাটাদারগা মরি লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাওচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

*Sd-* **Sub-Deputy Collector,** Sagolmang, Imphal East.

**HL-P/9106/16**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

*Ref:- Mut Case No. 438/SDC/SLG/IE- 2016*

1. Wahengbam Nawang Singh S/o (Late) W. Kullo Singh of Sawombung
2. –do– Deven Singh S/o (Late) W. Kullo Singh of Sawombung
3. –do– Premkumar Singh S/o (Late) W. Kullo Singh of Sawombung
4. –do– Sanjoy Singh S/o (Late) W. Kullo Singh of Sawombung

..... Petitioners

-Vrs-

(Late) Wahengbam Kullo Singh S/o (Late) Cholo Singh of Sawombung ...... Opposite Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Sagolmang, the 15/07/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহশিল খুল নম্বর ৩১-ৱাইতোন পাট্টা নম্বর ... (অরিবা), ৫৯৩ (অনৌবা), দাগ নং ১৩১৬ মোট এরিয়া ১.৭০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাটাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নরশিং অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কল্লুগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাটাদারগা মরি লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাওচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

*Sd-* **Sub-Deputy Collector,** Sagolmang, Imphal East.

**HL-P/9106/16**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

*Ref:- Mut Case No. 437/SDC/SLG/IE- 2016*

Mangshidam (O) Shyama Devi W/o (Late) M. Chaoba Singh of Khurai Thangjam Leikai ..... Petitioner

-Vrs-

(Late) Mangshidam Chaoba Singh S/o (Late) M. Nipamacha Singh of Khurai Thangjam Leikai ...... Opposite Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Sagolmang, the 15/07/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহশিল খুল নম্বর ৯-সরৌথেল পাট্টা নম্বর ... (অরিবা), ৯/৪ (অনৌবা), দাগ নং ১৪ মোট এরিয়া ২.৬৪ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাটাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কল্লুগা মাগী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাটাদারগা মরি লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাওচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

*Sd-* **Sub-Deputy Collector,** Sagolmang, Imphal East.

**HL-P/9106/16**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

*Ref:- Mut Case No. 441/SDC/SLG/IE- 2016*

1. Wahengbam Deben Singh S/o (Late) W. Kullo Singh of Sawombung
2. – do – Sajoy Singh S/o (Late) –do– of –do–

..... Petitioners

-Vrs-

(Late) Wahengbam Kullo Singh S/o (Late) Chalo Singh of Sawombung ...... Opposite Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Sagolmang, the 15/07/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহশিল খুল নম্বর ৩১-ৱাইতোন পাট্টা নম্বর ... (অরিবা), ৫৯০ (অনৌবা), দাগ নং ১৩১৩, ১৩১৭, ১৩১৯, ১৩, ২৩ মোট এরিয়া ০.৬৪ একর চাওবা অঙনফৌ/ফৌরেল লৌফমগী পাটাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নরশিং অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কল্লুগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাটাদারগা মরি লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাওচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

*Sd-* **Sub-Deputy Collector,** Sagolmang, Imphal East.

**HL-P/9106/16**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

*Ref:- Mut Case No. 440/SDC/SLG/IE- 2016*

1. Wahengbam Premkumar Singh S/o (Late) W. Kullo Singh of Sawombung
2. –do– Deven Singh S/o (Late) –do– of –do–

..... Petitioners

-Vrs-

(Late) Wahengbam Kullo Singh S/o (Late) Cholo Singh of Sawombung ...... Opposite Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Sagolmang, the 15/07/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহশিল খুল নম্বর ৩১-ৱাইতোন পাট্টা নম্বর ... (অরিবা), ৫৯১ (অনৌবা), দাগ নং ১১৯৬, ১৩৫৫ মোট এরিয়া ১.২৭ একর চাওবা অঙনফৌ/ফৌরেল লৌফমগী পাটাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নরশিং অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কল্লুগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাটাদারগা মরি লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাওচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

*Sd-* **Sub-Deputy Collector,** Sagolmang, Imphal East.

**HL-P/9106/16**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

*Ref:- Mut Case No. 439/SDC/SLG/IE- 2016*

1. Wahengbam Nawang Singh S/o (Late) W. Kullo Singh of Sawombung
2. Wahengbam Deven Singh S/o (Late) W. Kullo Singh of Sawombung
3. Wahengbam Sanjoy Singh S/o (Late) W. Kullo Singh of Sawombung

..... Petitioners

-Vrs-

(Late) Wahengbam Kullo Singh S/o (Late) Chan Singh of Sawombung ...... Opposite Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Sagolmang, the 15/07/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহশিল খুল নম্বর ৩১-ৱাইতোন পাট্টা নম্বর ... (অরিবা), ৫৮০ (অনৌবা), দাগ নং ১২২৬, ১২২৯, ১৩২১, ১৩৫৭ মোট এরিয়া ৩.০৪ একর চাওবা অঙনফৌ/ফৌরেল লৌফমগী পাটাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নরশিং অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কল্লুগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাটাদারগা মরি লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাওচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

*Sd-* **Sub-Deputy Collector,** Sagolmang, Imphal East.

**HL-P/9106/16**

राष्ट्रीय प्रौद्योगिकी संस्थान,मणिपुर

**NATIONAL INSTITUTE OF TECHNOLOGY MANIPUR**

An Autonomous Institute under MHRD, Govt. of India.

NITM.1/(:93-Estt)/DST-SERB/2016/ 387 Imphal, the 15th July, 2016

**Recruitment of Project staff.**

Applications are invited from suitable candidates for recruitment of one project staff for a period of 3 (three) years under approved DST-SERB project entitled *"Synthesis and Decoration of Drug-like Molecules using Transition Metal-Catalyzed C(sp²)–H/C(sp³)–H Bond Activation Approach"*. Completed applications strictly in the prescribed format should reach to **"The Principal Investigator (Dr. C. C. Malakar), DST-SERB project, Department of Basic Science (Chemistry), National Institute of Technology Manipur, Langol, Imphal-795004"** on or before **12:00 p.m of 22nd July, 2016**. Details of advertisement, prescribed application form, qualification, etc. are available at institute's website www.nitmanipur.ac.in.

Sd/-
Principal Investigator

**HL-B/3191/16**

राष्ट्रीय प्रौद्योगिकी संस्थान,मणिपुर

**NATIONAL INSTITUTE OF TECHNOLOGY, MANIPUR**

An Autonomous Institute under MHRD, Govt. of India

No.NITM.1/(2a-Estt)/MP/Reg/2016/ 378 Date: 15/07/2016

**Notification**

The list of shortlisted candidates for the following posts applied against advertisement no. F.NITA.3(4-GEN)/MANIPUR/2010/2430-33 dated 2nd July, 2010 and NITM.1/(2-Estt)/MP/2010/275 dated 12th Oct, 2012 is hereby notified for the purpose of written test to be held shortly:

1. Accountant 2. Technical Assistant (Systems) 3. Superintendent 4. Nurse
5. Multitasking

The syllabus for written test may also be downloaded from the website. The date and venue of written test will be notified separately. For further details and names of shortlisted candidates, please visit www.nitmanipur.ac.in.

Sd/-
Registrar

**HL-B/3192/16**

MSPDCL

**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**

**(Regd. Office: Secure Office Complex, 3rd Floor, AT Line,North AOC, District- Imphal West, Manipur - 795001)**

**NOTICE INVITING TENDER**

**Imphal the 14th July. 2016**

No. 2/6l(Consult-Comml)/20l6-MSPDCL-TECH/ : Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL). a Government of Manipur undertaking invites Sealed Tender for Selection of Professional Services for providing consultancy and analytical support to MSPDCI. on retainership basis in Regulatory and other Operational matters from reputed Consultancy Firm/ Agencies.

Last date & time of submission:- 05/08/2016 uplo 4.00 P. M.

For details kindly visit the website www.manipur.gov.in and MSPDCL website www.mspdcl.com

**Sd/- R. Sudhan, IAS**
Managing Director, MSPDCL

**HL-B/3190/16** No.2/33/2015-DIPR(V-VII)